# ইজরেলি ট্রুপশিংনা চহী ১৪গী পালেষ্টিনিয়ন নুপামচা অমা হাৎখ্রে



জেরুসালেম, জুন ২১ (এজেন্সী) :
ইজরেলি ট্রুপশিংনা ঙসি চহী ১৪গী পালেষ্টিনিয়ন নুপামচা অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে অমসুং অতৈ মীওই অহুন্না অশোক-অপন নংহনখ্রে হায়না পালেষ্টিনিয়ন ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ৰেষ্ট বেঙ্কতা লৈবা বৈইট উর অল-টহেতা লোকল কাউন্সীলগী মকোক ৱাজি অহম্মদনা হায়খি, মহমৌদ বদ্রন কৌবা নুপামচা অদু কার তোংদুনা চৎলিঙৈদা ইজরেলি মিলিটরি পেট্রোল অমনা নোংমৈনা কাপ্পদা শিখিবনি। ৰেষ্ট বেঙ্ককী সিটি রামালাহদা লৈবা হোস্পিটালগী ষ্টেটমেন্ট অমনা থৌদোক অদুদা মীওই অমা ময়াই ওইরপ চাংদা ফীভম লুনা শোকখি অমসুং অতৈ মীওই অহুন্না লাইট ওইনা শোকখি।

ইজরেলি মিলিটরিনা খুদক্কী ওইনা পাউখুম পীখিদে। ইজরেলি মিদিয়ানা হায়খি মদুদি, মী চিনবা লম্বী অমদা ইজরেলি ভেহিকলশিংদা নুঙনা থাবগী থৌদোক অমদা ঈরাং হৌবশিংবু তানখায়নবগী পান্দমদা নোংমৈ কাপখিবনি। এটেক অদুদা মীওই অহুম শোকখি।

হৌখিবা থা ৯ লোম অসিদা থাঙনা থিনবা, নোংমৈ কাপ্পা অমসুং কারনা থোম্বা য়াওনা পালেষ্টিনিয়নশিংনা এটেক কয়া চথখদুনা ইজরেলি ৩২ অমসুং অমেরিকান অনী হাৎখ্রে হায়না এ পিগী পাউসিনা হায়রি।

মতম অদুগী মনুংদা পালেষ্টিনিয়ন ২০০ রোম হাৎখ্রে। ইজরেলনা মখোয় অয়াম্বা এটেক্করশিংনি হায়না আইদেন্টিফাইদ তৌখি অদুগা লেমহৌরিবা অতৈনা ইজরেলি ট্রুপশিংগা খুৎ থোক্লবদা শিখি হায়রি।

এটেকশিং অদু মতম অমদা নুংতিগী থোক্লমই তৌইগুম্বসুং হন্দক চয়োল খরা অসিদা তোয়না থোকপগী চাং হন্থরক্লি।

ঙসিসু ইজরেলি মিলিটরিনা পালেষ্টিনিয়ন অমগী ময়ুম থুগাইখি। মহাক চহী অসিগী অঙনবদা অমেরিকান টুরিষ্ট অমসুং ৱার ভেটরান অমবু থাঙনা থিন্দুনা হাৎখিবা মীশকনি।

ৰেষ্ট বেঙ্ককী ভীলেজ হাজাহদা ট্রুপশিং চঙশিল্লকখি অমসুং বাশর মসলহা কৌবা পালেষ্টিনিয়ন অদুগী ময়ুম থুগাইখি। হৌখিবা মার্চথাদা মহাক্না টেলর ফোর্স কৌবা অমেরিকান অদুবু থাঙনা থিন্দুনা হাৎখি অমসুং অতৈ ১০না শোকহনখি। ফোর্স অসি ভন্দেরবিল্ট য়ুনিভর্সিটিগী গ্রেজুয়েট অমনি, স্কুলগী ট্রিপ অমদা ইজরেলদা লাকখিবনি। এটেক অদুগী মতুংদা মাসালহাবুসু পুলিসনা হাৎখি।

তুংদা এটেক কয়া চথহন্দনবগীদমক্তা য়ুম কৈ থুগাইবগী থবক্তু পাঙথোক্লিবনি হায়না ইজরেলনা হায়রি। পালেষ্টিনিয়নশিংনদি মদু কলেক্টিব পানিসমেন্ট অমনি হায়না লৌই।

# লায়রমনবদগী নেপালিশিংনা মপান্দা খুদোংথিনিঙাই ওইবা থবক কয়া তৌরি



কথমন্দু, জুন ২১ (এজেন্সী) :
অফঘানিষ্টানদা হৌখিবা নিংথৌকাবদা চথখিবা সুইসাইদ এটেক অমদা নেপালি গার্দ ১৪ শিখিবা অসিনা হিমালায়ন লৈবাক অসিনা মালেমদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী সপ্লায়র অমা ওইনা লৌরিবা থৌদাংদা পুন্নমক্কী পূক্নিং চিংশিল্লি। লৈবাক অসিগী তোপ তোপ্পা মখলগী ইন্দষ্ট্রি অসি লায়রবনা হেন্না ইনোৎ হাপ্পগা লোয়ননা চহী চা কয়া গুরখা ট্রুপশিংগী থৌনা অমসুং লোয়েল্টিগী মিংচৎতা য়ুম্ফম ওইরগা শাগৎখিবনি।

লায়রবা লৈবাক অদুদা বৃটেননা চহী খুদিংগী রিক্রুট তৌরিবা গুরখা লাম্নীশিংগী মশীং হন্দক চহী খরসিদা হন্থরকপা উরবসু মালেমগী ওইনা নেপালিশিংবু প্রাইভেট সিক্যুরিটি গার্দশিং ওইনা শীজিন্ননবগী দিমান্দশিং ৱাংখৎলকখি।

“হোংকোংদা লৈবা বিল্লিনর অমদগীনা কাবুলদা লৈবা লন্নাই ফার্মশিং ফাওবদা হায়বা য়াই মদুদি মীপুম খূদিংমক্না মখোয়গী লন-থুমশিং ঙাক শেন্ননবা গুরখা অমা পামই” হায়না বৃটিশ সিক্যুরিটি জাইঅন্ট জি ফোর এসকী নেপাল কন্ট্রি মেনেজর মাহেশ শ্রেস্থানা হায়খি।

“সিক্যুরিটি পার্সনেলগী মার্কেটকী ৱাফম লাকপদা গুরখাশিং অসি মালেমদা খ্বাইদগী পাম্নবা ওই” হায়না শ্রেস্থানা এ এফ পিদা হায়খি।

সিক্যুরিটি ফোর্সকী ইন্দষ্ট্রি অসিনা থবক্তা পোত্থারবা গুরখাশিং অমসুং হান্নগী নেপাল আর্মি অমসুং পুলিসকী ষ্টাফতা মখোয়না মালেমগী মুক্নবগী ফীভম লৈবা মফমশিংদা খুদোংথিবা থেংনবদা কায়দে খনবা লৈরবদি শেল মরাং কায়না ফংগদবা থবক্কী খুদোংচাবসি মরাং কায়না পী।

কুমজা ১৮১৬তা লোইশিনখিবা এংলো-নেপালি লালগী মতুংদা বৃটিশ ইষ্ট ইন্দিয়া কম্পেনিনা নেপালিশিংবু ইহান হান্না মরৈবাক্কী ৱাংমদা রিক্রুট তৌখি।

মখোয়গী মথৌনা-মরিংজেলদা থাজবা পোক্লবা বৃটিশনা মখোয়গী হান্নগী য়েক্লবশিং অসিবু থবক্তা শীজিন্নবগী দিল অমা পুরকখি। বৃটিশনা গুরখা ট্রুপশিংবু ১৯শুবা চহী চাদা ইন্দিয়াদা মীয়ামগী রাইটশিং নমথবদা অমসুং মালেমগী অহানবা অমসুং অনীশুবা লাঞ্জাওদা বৃটেনগীদমক্তা থেংননবা শীজিন্নখি।

# ‘নোর্থ কোরিয়ানা মিদিয়ম রেঞ্জ মিসাইলশিং চাংয়েং তৌরবা য়াই’

সিওল, জুন ২১ (এজেন্সী) :
য়ু এসকী মেইনলেন্দদা অকিবা পোকহন্নবগী বেলিষ্টিক ৰেপন্স প্রোগ্রাম অমদা পরিং নাইনা চথখিবদা মায় পাকখিদ্রবা মিদিয়ম রেঞ্জ মিসাইল প্রোগ্রামশিংগী মতুংদা নোর্থ কোরিয়ানা মপাঙ্গল লৈরবা অনৌবা মিদিয়ম রেঞ্জকী মিসাইল অমা চাংয়েং তৌনবা হোৎনবগী মওং মাল্লি হায়না মল্টিপল রিপোর্টশিংনা হায়রি।

জপানিজ অমসুং সাউথ কোরিয়ন মিদিয়ানা ওফিসল সোর্ছশিং পল্লদুনা হায়খি মদুদি, নোর্থ কোরিয়ানা মখোয়গী ইষ্ট কোষ্টকী মনাক্তা মুসুদন মিসাইল অমা দিপ্লোইদ তৌখিবা মাল্লি।

নোর্থ কোরিয়ানা চহী অসিদা মুসুদন পাইহন্নবা মরিরক হোৎনখিবদা ফেল ওইখি। মিসাইল অসিগী রেঞ্জদি কিলোমিটির ২,৫০০ অমসুং ৪০০০গী মরক্তনি।

মিসাইল অদুগী খরা হন্থবা রেঞ্জদা সাউথ কোরিয়া অমসুং জপান অপুনবা কোল্লি অদুগা অৱাংবা রেঞ্জনা গুৱামদা লৈবা য়ু এসকী মিলিটরি বেজশিংসু য়ৌবা ঙমগনি।

“নোর্থনা মুসুদন মিসাইল মানবা অমা দিপ্লোইদ তৌখিবগী খুদমশিং ঐখোয়না দিটেক্ট তৌরেনা সাউথ কোরিয়াগী য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সীনা মশক মমিং তাকথোক্তবা গভর্ণমেন্টকী ওফিসলগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।

জপানগী কিয়োদো ন্যুজ এজেন্সী অমসুং পব্লিক ব্রোদকাষ্টর এন ঐচ কে অনীমক্না মশক মমিং তাকথোক্তবা সোর্ছশিং পল্লদুনা হায়খি মদুদি, মিসাইল থাগৎনবগী শেম-শাবগী থবক পিয়োংনাংনা পায়খৎলম্বা য়ানা লৈ। সিওলদা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা রিপোর্টশিংদু কনফর্ম তৌ হায়বা য়াখিদে তৌইগুম্বসুং মখোয়না ফীভম অদু কুপ্না মোনিটর তৌরি হায়খি।

নোর্থ কোরিয়ানা লৈবাক অসিগী ইষ্ট কোষ্ট ৱাংমা লান্না ঈশিংগী ঈপাক্তা সোর্ট রেঞ্জ মিসাইলশিং চাং নাইনা কাপশিনবগী থবক চথরবসু য়ু এনগী রিজোল্যুসনশিংনদি লৈবাক অসিবু বেলিষ্টিক মিসাইল টেক্নোলোজি শীজিন্নবদা অথিংবা থমই।

কিয়োদোমনা হায়খি, জপানগী লমগী শরুকশিংদা অকিবা পোকহনগদবা মওংদা মিসাইল নৎত্রগা মিসাইলদগী তারকপা পোৎশকশিং ইন্টরসেপ্ট তৌনবা লৈবাক অসিগী মিলিটরিদা ওর্দর তৌখ্রে।

কুমজা ২০১০গী ওক্টোবরদা পিয়োংয়াংদা পাঙথোকখিবা মিলিটরি পেরেদ অমদা ইহান হান্না উৎখিবা মশানা শাজবা মুসুদন অদু অমুক্তা মায় পাক্না চাংয়েং তৌরক্ত্রি।

লৈবাক অদুনা খুমাং চাউশিনবা ঙমখিবশিংগী মরমদা সেলেব্রেট তৌনবা তাংনা পাঙথোকপা রুলিং পার্টি কোংগ্রেসকী মাঙওইননা হৌখিবা এপ্রিল থাদা পাঙথোকখিবা চাংয়েং অহুম ফেল ওইখিবদা পিয়োংয়াংগী রেজিমগী মকোক থোংবশিংবু মকোক শাহনখি। খ্বাইদগী নৌবা ওইনা মে থাদা পাঙথোকখিবা চাংয়েংসু ফেল ওইরবনি হায়না লৌনখি হায়রি।



# মালেমদা মিনিট খূদিংগী মীওই ২৪ ময়ুম-মকৈ থাদোকই : য়ু এন ঐচ সী আর



জোহান্নসবর্গ, জুন ২১ (এজেন্সী) :
কুমজা ২০১৫দা মালেমদা নমদুনা ময়ুম-মকৈ থাদোকহনবা মীগী মশীং খ্বাইদগী হেনবা চাং ওইখি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্স হায় কম্মিস্নর ফোর রেফ্যুজিস (য়ু এন ঐচ সী আর)গী প্রিটেনরিয়াদা ঙরাং রিলিজ তৌখিবা রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এন ঐচ সী আরনা চাংচৎতা মিনিট খূদিংগী মীওই ২৪ ময়ুম-মকৈ থাদোকহল্লি হায়না রেকোর্দ তৌখি। কুমজা ২০০৫দদি মিনিট খূদিংগী তরুক ওইরমই হায়না জিনহুৱাগী রিপোর্টনা হায়রি।

গভর্ণমেন্টশিং, পার্টনরশিং অমসুং ওর্গনাইজেসনগী মশাগী রিপোর্টিংদা বেজ তৌদুনা মালেম পুম্বগী ওইনা নম্ফুদা ময়ুম-মকৈ লৈহন্দনবা মীশিংগী ওইবা চহী *গ্লোবল লেন্দস*কী মতুং ইন্না, মুক্নবগী ফীভম লৈবা অমসুং মরম খরদগী মীবু তাথি-তাওইনা তৌবা অসি মীশিংবু নম্ফুদা ময়ুম-মকৈ থাদোকহন্নবগী মরু ওইবা মরমশিংনি।

রিপোর্ট অদুনা হায়খি, হৌখিবা কুমজা ২০১৫গী অরোইবদা মীওই মিলিয়ন ৬৫.৩ ময়ুম-মকৈ থাদোকহনখি। থা ১২গী মমাঙদদি অসিগুম্বা মীগী মশীং অসি মিলিয়ন ৫৯.৫ ওইখিবনি। মীওই মিলিয়ন ৬০গী মার্কতগী হেনগৎলকপা অসি মসিনা অহানবনি হায়রি।

অপুনবা মশীং মিলিয়ন ৬৫ অসিদা কুমজা ২০১৫গী অরোইবা ফাওবদা চঙজফম পীবগী মতাংদা ৱারেপ অমা ঙাইরিবা ইন্দষ্ট্রিগী লমদা চাউখৎলবা লৈবাকশিংদা লৈবা মীওই মিলিয়ন ৩.২ মালেম পুম্বগী ওইনা ১৯৯০গী অঙনবদগী হৌজিক ফাওবগী ওইনা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক ওইনা রিপ্রজেন্ট তৌরিবা রেফ্যুজি ২১.৩; ময়ুম-মকৈ থাদোক্লগা মরৈবাক্কী মনুংদা কোইচেন চেন্দুনা লৈরিবা মীওই মিলিয়ন ৪০.৮ য়াওরি।

মসি কুমজা ২০১৪দা লৈখিবা চাং অদুদগী মীওই মিলিয়ন ২.৬ হেনগৎলবনি অমসুং রেকোর্দ ওইনা খ্বাইদগী ৱাংবা মশীংনি হায়রি।

মালেমগী অপুনবা মশীং বিলিয়ন ৭.৩৪৯ লৈরিবসিগী মায়োক্তা পাবদা মসিগী নম্বরশিং অসি উৎলি মদুদি মালেমগী ওইনা মীওই ১১৩ খূদিংগী মীওই অমদি চঙজফম লৈফম থিবা মীশক অমা ওইনা লৈবাক মনুংদা ময়ুম-মকৈ লৈত্রবা মীশক অমা নৎত্রগা রেফ্যুজি অমা ওই অমসুং মসি মমাঙদা লৈখিবা খুদোংথিবা য়াবগী লেবেলদগী হেল্লি হায়না রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

“ঈশিংদা (সিদা) চহী খূদিংগী কিনিঙাই ওইবা মশীংগী চাংদা রেফ্যুজিশিং অমসুং মাইগ্রেন্টশিং চহী খূদিংগী শিরি। কংফালদনা মীশিং বোর্দর থিংজিন্নখিবদগী ককঙাওনবগা লোয়ননা লানবুংদগী নাম্থোক্লবা হোৎনদুনা কোইচেন চেন্নরি।

লৈবাক খরদদি পোলিটিক্স অসি চঙজফম থিবশিংগা মরী লৈননা উংদুনা লৈরে হায়বা ফাওবা য়াই হায়রি।

লৈবাক কয়ানা পুন্না থবক তৌমিন্নবগী ৱাখল অমা লৈরিবসি রেফ্যুজিশিংগীদা নত্তে। তৌইগুম্বসুং ঙসি টেষ্ট তৌগদৌরিবদি অপুনবগী ওইবা মীওইবগী ইন্টরেষ্ট অদুনি হায়না য়ু এন হায় কম্মিস্নর রেফ্যুজিস ফিলিপো গ্রান্দিনা হায়খি।

লৈবাক অহুম সিরিয়া (মিলিয়ন ৪.৯), অফঘানিষ্টান (মিলিয়ন ২.৭) অমসুং সোমালিয়া (মিলিয়ন ১.১)না মালেমগী রেফ্যুজি অপুনবগী তঙ্খায় অমরোম পুথোকই।

মালেম পুম্বগী ওইনা য়ু এন ঐচ সী আরগী মেন্দেটকী মখাদা লৈবাক অহুমসিনা রেফ্যুজি মশীং অপুম্বগী তঙ্খায় অমা হেন্না পুথোক্লি হায়না রিপোর্ট অমনা হায়খি।

# ইজিপ্টকী কোর্টনা সাউদি আরাবিয়াদা ইথৎশিং পীথোকপা য়ারোই হায়খ্রে




কাইরো, জুন ২১ (এজেন্সী) :
রেদ সিগী ইথৎ অনী টিরন অমসুং সনাফিরবু সাউদিগী ঈশিংগী শরুকশিংদা চলহল্লিবা কাইরো অমসুং রিয়াদকী মরক্তা মেরিটাইম বোর্দর দিমার্কেসনগী মতাংদা সাইন তৌনখিবা দিল অমা ঙসি ইজিপ্টকী কোর্ট অমনা চৎনবা য়ারোই হায়খ্রে।

ইজিপ্টকী এদমিনিষ্ট্রেটিব কোর্টনা হায়খি মদুদি, ইথৎ অনীমক্কী হক অপুম্বা সাউদি অরাবিয়াদা শিন্নবা হায়বসি চৎননিঙাই ওইদে। এগ্রীমেন্ট অদু দিবেট অমসুং রেতিফিকেসনগীদমক্তা হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবসতা সবমিট তৌগদবনি।

“মদুনা লৈবাক অদুগী ১৯০৬কী দিমার্কেসন এগ্রীমেন্ট অদুবু খোঙ্গাউনৈ অমসুং মদু কন্সটিট্যুসনদা য়ুম্ফম ওইদুনা অয়াবা লৌনবগীদমক্তা পার্লিয়ামেন্টদা সবমিট তৌবা য়ারোই” হায়না কোর্ট অদুনা হায়খি।

হৌখিবা এপ্রিল ১২দা ইজিপস্যন কেবীনেটনা হায়খি মদুদি, ইজিপ্ট অমসুং সাউদি আরাবিয়া অপুনবগী ওইবা টেক্নিকেল মেরিটাইম বোর্দর প্রোৱিংদা টিরন অমসুং সনাফির ইথৎশিং সাউদিগী ঈশিংগী শরুকশিংদা লৈহনবদা লেপ্পখ্রে।

রেদ সিগী অৱাংদা লৈবা গল্ফ ওফ অকাবাগী খা থংবা চঙফমদা লৈরিবা ইথৎ অনীদুগী মতাংদা পুরকখিবা এগ্রীমেন্ট অদুনা ইজিপ্টতা খুদক্তা ঈরাং লাকহনখি। মীওই চা কয়ানা ইথৎ অনীদুবু য়োম্থোকপগী থবক্তু কন্না প্রোটেষ্ট তৌখি।

“ইথৎশিং অদু পুৱারীদা লৈরম্বগী মতুং ইন্না সাউদি আরাবিয়াগী ওইরম্বদগী কুমজা ১৯৫০দা ইজিপ্টতা শান্দোকখিবনি” হায়না কেবীনেটনা হায়খি।

পুৱারীগী সিক্বেন্স অমসুং দোক্যুমেন্টশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা হৌজিক ইজিপ্টনা এদমিনিষ্ট্রেসন তৌরিবা ইথৎশিং অদু সাউদি সোভরন্টিগী মখাদা অমুক হন্না লৈহনখিগদবনি হায়না কেবীনেটকী ৱারোল অদুনা মখা তাখি।

এরিয়া অদুদা ইথৎ অনী অদু ষ্ট্রেটেজিক্কী ওইনা য়াম্না মরু ওইনা লৌনৈ। টিরন ষ্ট্রেইটকী খ্বাইদগী খূবা সেক্সন অদু ইথৎ অনীসিনা শেমই। ষ্ট্রেট সেক্সন জোর্দান মরু ওইবা হিথাংফম অকাবা অমসুং ইজরেলগী এইলটতা চৎনবগী মরু ওইবা ঈশিং লম্বী অমনি।

ইথৎশিং অদুদা হৌজিক ইজিপ্টকী মিলিটরি পার্সনেল অমসুং মল্টি নেসনল ফোর্স অমসুং ওবজার্ভরশিং লৈরি।

# কোঙ্গোগী ৱারলোর্দ জান স্পেরি বেম্বা চহী ১৮ জেলদা থম্নবগী চৈরাক পীখ্রে

ব্রজাভিহল, জুন ২১ (এজেন্সী) :
ইন্টরনেসনল ক্রিমিনেল কোর্ট (আই সী সী)দা ৱার ক্রাইমশিং অমসুং সেক্সুঅল ভাইঅলেন্সকা মরী লৈননা কনভিক্ট তৌরবা মতুংদা কোঙ্গোগী হান্নগী রেবেল লিদর জান স্পেরি বেম্বাবু চহী ১৮ জেলদা থম্নবগী চৈরাক লাউথোকখ্রে।

হান্নগী রেবেল লিদর অদু হৌখিবা মার্চতা য়ুমথংনবা সেন্ট্রেল অফ্রিকান রিপব্লিকতা কুমজা ২০০২ অমসুং ২০০৩দা ক্রাইম কয়া চথখিবগী মরাল কয়া লৈরমখি। মঙোন্দা মহাক্কী রেবেলশিং অদুবু মী হাৎপা তুপ্পা তৌবা লেপহনবা ঙমখিদবা নৎত্রগা লেপহনখিদবগী মরাল শীখি। বেম্বাগী উকিলশিংনা মহাকপু কনভিক্ট তৌবগী মায়োক্তা আপিল তৌগনি হায়না মাঙজৌননা ফোঙদোকখ্রে।

রেপ তৌবা, মী হাৎপা অমসুং মীগী মরল মথুম লাকপা ফোইবগী মরাল মঙাদা জজশিংনা মহাক্কী মথক্তা চহী ১৬ অমসুং ১৮গী মরক্কী মীয়াৎশিং লাউথোকখি। মহাক্কী জেল টার্মশিং অদু মতম অমদগী চপ মান্ননা পামিন্নগনি হায়রি।

মহাক্না জেলদা লৈগদবা মতম অপুম্বদগী হান্না লৈখিবা চহী ৮ মতম ককথগনি। হেগতা লৈবা আই সী সীদা মীয়াৎকী ওর্দর অদুবু লাউথোক্লদুনা জজ সিলভিয়া ষ্টাইনরনা হায়খি মদুদি, বেম্বানা সেন্ট্রেল অফ্রিকন রিপব্লিক্তা থাখিবা মহাক্কী লন্নাইগী কাঙবুশিং কন্ট্রোল তৌবা ঙমখিদ্রে। মখোয়না নুপীশিংবু ওৎ-নৈবগা লোয়ননা রেপ তৌখি, মী কয়া হাৎখি অমসুং লন-থুম কয়া মৎখি।

বেম্বানা সেন্ট্রেল অফ্রিকন রিজনদা হান্নগী প্রসিদেন্ট এঞ্জি ফেলিক্স পাটাসেবু কূ অমা লাকশিনবদা মতেং পাংনবগীদমক্তা ফাইটর ১০০ হেন্না থাখি। মহাক্কী ট্রুপশিংনা মীচমশিংগী মায়োক্তা কা হেনবা মীহাৎ-মীপুন অমসুং রেপকী থৌওংশিং চথখি হায়বা মরাল শীবা ৱারোলশিং কোর্টনা তাখি।



HL-B/3146/18/05-17/06

## EMPLOYMENT NEWS

### UTTAR PRADESH JAL NIGAM – UPJN RECRUITMENT 2016 – 398 ROUTINE CLERK & STENOGRAPHER VACANCIES – LAST DATE 11 JULY

**UPJN Recruitment 2016**
Uttar Pradesh Jal Nigam (UPJN) invites application for the post of 398 Routine Clerk & Stenographer. Apply Online before 11 July 2016.

**Job Details :**
**Post Name :** Routine Clerk
**No. of Vacancy :** 335 Posts
**Pay Scale :** Rs.5200-20200/-
**Grade Pay :** Rs.1900/-
**Post Name :** Stenographer
**No. of Vacancy :** 63 Posts
**Pay Scale :** Rs.5200-20200/-
**Grade Pay :** Rs.2800/-
**Eligibility Criteria for UPJN Recruitment :**
**Educational Qualification :**
**For Routine Clerk :** Candidates must have pass 10+2 (Intermediate) exam any recognized Board with typing speed in Hindi 25 wpm and 30 wpm in English on Computer and Diploma/Certificate in Computer Application.
**For Stenographer :** Candidates must have pass 10+2 (Intermediate) exam any recognized Board with 80 wpm in stono speed in Hindi and Diploma/ Certificate in Computer Application.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** 18 to 40 years as on 01.08.2016.
**Age of Relaxation :**
**For SC/ST/ OBC Candidates :** 5 years (Only U.P. Domicile)
**Job Location :** Uttar Pradesh
**Selection Process :** Selection will be through Written Test & Interview.
**Application Fee :**
**For Unreserved (General) & OBC Category :** Rs.600/-
**For SC/ST Category :** Rs.300/-
**For PWD Category :** Rs.25/-
**Candidates submitted fee through SBI -E-collect Only.**
**How to Apply UPJN Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website www.upjn.org form 21.06.2016 to 11.07.2016.
**Important Dates to Remember:**
**Starting Date for Submission of Online Application :** 21.06.2016
**Last Date for Submission of Online Application :** 11.07.2016
**Last Date for Payment through Offline Mode :** 12.07.2016
**Important Links:**
**Details Advertisement Link :** http://103.13.99.19/upjn/UploadDocument/Vigyapan1.pdf
**Apply Online :** http://103.13.99.19/upjn/Home/ListsofExam.aspx

### NATIONAL CENTRE FOR ANTARCTIC & OCEAN RESEARCH – NCAOR RECRUITMENT 2016 – 23 VEHICLE MECHANIC, MALE NURSE, LAB TECHNICIAN & VARIOUS VACANCIES – WALK-IN-INTERVIEW 20 TO 22 JULY

**NCAOR Recruitment 2016**
National Centre for Antarctic & Ocean Research (NCAOR) invites application for the post of 23 Vehicle Mechanic, Male Nurse, Lab Technician & Various Vacancies on contract basis for its Research bases in Antarctica for the season 2016-2018. Walk-in-Interview 20 to 22 July 2016.

**Job Details :**
**Post Name :** Vehicle Mechanic
**No. of Vacancy :** 02 Posts
**Pay Scale :** Rs. 24150/- (Per Month)
**Post Name :** Male Nurse
**No. of Vacancy :** 02 Posts
**Pay Scale :** Rs. 24150/- (Per Month)
**Post Name :** Lab Technician
**No. of Vacancy :** 02 Posts
**Pay Scale :** Rs. 24150/- (Per Month)
**Eligibility Criteria for NCAOR Recruitment :**
**Educational Qualification :**
**For Vehicle Mechanic :** ITI Certification in relevant trade with four years relevant experience or Diploma in Engineering in relevant field with two years working experience in relevant field.
**For Male Nurse :** Diploma in General Nursing or Bachelor of Science in Nursing as approved by Indian Nursing Council or Diploma in Operation Technique or Certificate in relevant subject from an Institute recognized by the Central or the State Government with four years relevant experience.
**For Lab Technician :** Graduation in Physical sciences with minimum two years relevant experience in handling scientific laboratory equipments.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** As per NCAOR Rules
**Job Location :** Goa
**How to Apply NCAOR Vacancy :** Interested candidates may register themselves for walk-in-interview in prescribed registration form with Project Director (Logistics), NCAOR, Goa by email at logistics@ncaor.gov.in on or before 15.07.2016 and appear for Interview along with one set of self attested photo copies of relevant certificates and bring original certificates/documents (proof of age, qualification, experience and residential address) for verification at the time of interview.
**Venue of Interview :** Ministry of Earth Sciences, Prithvi Bhawan, IMD Campus, Opp. India Habitat Centre, Lodhi Road, New Delhi –110 003
**Important Dates to Remember :**
**Date of Interview :** 20 to 22.07.2016 at 09:00 hrs to 10:00 hrs.
**Important Links :**
**Detail Advertisement Link :** http://ncaor.gov.in/upload/recruitments/Advertisement%20-36%20ISEA.PDF
**Download Application form :** http://www.ncaor.gov.in/upload/recruitments/Registration%20Form_AL-2007.DOCX